চীং তম পুন্না হিংমিন্নবদা ইরাবতকী থৌদাং

- সোটিনকুমার -

ওহ্নোক্লা লীরবা মতমগী চীং তমগী অপুনবা ইরাবতকী হোৎনজমন্দগীনি। মণিপুরগী চীংগী মীওইশিংগী খোঙদাফমদি ইম্ফালনি। চীংমীশিংবু মৈতৈগী য়ুমদা চঙহন্দবা, ফক ফমহন্দবা, পুখ্রিদা কুমহন্দবা, অমাঙবনি হায়দুনা শোক্ল-পন্নবা য়াদবা অদুদগী ইরাবতনা লাপথোক্লা লৈরকপনি। অদুনা মানা চীংগী লুচিংবশিংগা তিন্ন-তানদুনা লাকপনি। মাঙব-শেংবগী মায়োক্তা তৌরকপা অন্দোলন্দা চীংমীশিংনা মাবু য়াবনি। মীওই কাঙলুপ খুদিংমক্কী স্বার্থ কন্নবগী সঙগথনগী শক্লোন কয়া লৌদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌখিবগী ৰারী ঙাক্তনা ইরাবতগী পুন্সিগী ইতিহাসনি। কুমজা ১৯৪৬ ফাওবদি চীং-তম অনীগী মরক্তা অপুনবা কায়বগী মৈরি অমত্তা লাকখিদে।

জপান লান মতুংদা বৃটিশনা ইন্দিয়া থাদোক্তুনা চৎখ্রগনি হায়বগী ইরাং অমা লাকপা, ইন্দিয়া লৈঙাক কোংগ্রেসতা শিন্নরল্লগনি। লোয়নননা মণিপুরদসু কোংগ্রেসনা পায়হৌনবগীদমক ইরাবতকী তুং ইল্লন্বা মীওই খরনা ১৯৪৬ তা কোংগ্রেস পার্টি লিংখত্তুনা তোঙানবা সংগথন অমা লৈখিবা মতমদগীদি মণিপুরদা চীং-তমগী অপুনবা শক্তমদা য়ান্না শাথিনা অকায়বা লাকখিবা ইতিহাসকী তাঙ্কক অমা লাকখি। অওইবমক্তি হান্না মনুংদা মাঙজৌননা খঙলবা বৃটিশকী ওফিসারশিংনা মচেৎ মচেৎ থুগায়নবা প্রি-প্লান তৌরকখিবা লোয়নননা লৈঙাক পায়হৌনবগী খুদোংচাবা খক্তমক উখিবা কাঙবুনা থওইরক্তবা কয়াসিদগী লৈরকখিবনি।

কুমজা ১৯৩৭তা মতমদুগী অসামগী গভর্ণর ওইবা সার রোবর্ট রৈদনা নাগাগী হিলস হায়বা অমা শেন্নবা হোৎনখি। মদুদা মণিপুরগী নাগা তাবা চীংগী লমশিংসি য়াওহনবা ঙমখিদে। মরমদি মণিপুরগী চীংগী লমশিংদগী মী ফঙখিদে। করিগীনো ? ইরাবতনা চীং তমগী অপুনবা ঈহুল অমা থল্লকখ্রে। লোয়নননা অসামগা হেক তাইনবা কবুই সমিতি কৌবা লূপ অমা কুমজা ১৯৩৪দা ঙনতানা শেমদুনা চীং তমগী অপুনবা শক্তি শাগৎতুনা লৈখ্রবনি। লোয়নননা কুমজা ১৯৪৬তা লূপসিগী মিং কবুই এসোসিএসন হায়না ওহ্নোক্তুনা মণিপুরগী লৈঙাক পাথাপকী অন্দোলন কয়াদা য়াওদুনা লাক্লবনি। অদুনা হৌজিক্কী নাগালেন্দ অসিগা তুয়েনশাং এরিয়া অসিগনা ''নাগা হিলস'' হায়বা অমা শেমদুনা দিপুতি কমিস্নর অমগী মখাদা কোহিমানা হেদ ক্বাটর ওইরগা থম্বনি। গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া এক্ট ১৯৩৫গী মখাদা কুমজা ১৯৩৭কী এপ্রিল ১দগী নাগা হিলস অসি অসামগী গভর্ণরগী মখাদা লৈহনবা হৌখিবনি। থোইদোক্লা মতমদুদি মণিপুরদা মাঙবা শেংবগী অওৎ অনৈগী মায়োক্তা মীয়াম অন্দোলন তৌবা মতমনি। রানী গাইদিনলিয়ুনা বৃটিশকী মায়োক্তা ঈহৌ শাগৎলিবা মতমসুনি। ইরাবত অমসুং মাগী সংগথনশিংনা জেলদা ফাদুনা থমখ্রবা রানী গাইদিনলিয়ুবু থাদোকউ হায়না কন্না দাবী তৌরিবদুমক্তনসু চীং-তম অনিগী মরক্তা অফবা মরীগী ৰারী শিংবুন্না চৈঙাক ওইখিবনি। অন্দোলন্দু চীংগী লুচিংবা খুল্লাকপশিংনা য়াওরিবনি, য়ানিংলিবনি।

অদুবু মালেমগী অনীশুবা লানজাও লোইখ্রবা মতুংদা মিষ্টর চার্লস পাওসেনা নাগা হিলসকী দিপুতি কমিস্নর ওইরবদা নাগা হিলস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল কৌবা লূপ অমা কুমজা ১৯৪৫গী এপ্রিল ১দা শেম্বীখি। চাওখৎত্রিবা নাগা হিলসতা শেমগৎ শাগৎনবগী মরীদা শেম্বনি হায়না ৰাহন্থোক পীখিবনি। স্কুল ওজা ময়ং নোকচা কৌবা অমবু প্রসিদেন্ট ওইহল্লি। সেক্রেটরিগা হাপ্তে। য়াওবিনবা মী থীবা ফঙদে। থোইদোক্লা টুয়েনশাংগী লমশিংদা পাও শন্নহন্নবগী পান্দমদনি। স্কুল ওজা অদুনা দ্যুটি ওইনা পাও শন্নহনবনি। করিগীনো? লমশিং অসি নাগা হিলস হায়জরবসু দেপ্যুটি কমিস্নরগী শাসন য়ৌদে। মরমদি লৈঙাক্কী ওফিসিয়েল অমত্তনা চঙবা ঙমদে, চঙদে। লম্বী-থোং কম্যুনিকেসন লৈতে। মখোয়গী মীয়াম মালেমগা শন্নদে। ফি শুকশেৎ শেৎতবনা অয়াম্বনি। চীংগী মীশিংদি খুল্লান্দুনা অহিং লেক্লগা চৎপা ঙম্মী। মদুগীদমক্তা শেম্বীবনি। লম অসি অন-এদমিনিষ্টরদ এরিয়া হায়ন লৈঙাক্লা খঙনৈ। কুমজা ১৯৪৬তা ''নাগা হিলস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল'' অদু ''নাগা নেসনল কাউন্সিল'' ওনবিরে। মিষ্টর টি আলিবা ইমিতিবু প্রসিদেন্ট অদুগা মিষ্টর টি শাখ্রেবুনা সেক্রেটরি ওইহল্লে।

বৃটিশনা ইন্দিয়া থাদোক্তুনা চৎলগনি হায়বসিগী অরেপ্পা মীয়ামনা খঙদ্রবসু বৃটিশকী ওফিসিয়েলশিংনদি খঙলবা ১৯৪৭ চঙলকপদদি নাগা নেসনেল কাউন্সিলবু বৃটিশ লৈঙাক্তা মেমোরেন্দম অমা পীশিলহল্লি। মেমোরেন্দম অদুগী ম্যেন হেদিংদি –

১. *This Naga National Council Stands for solidarity of Naga tribes including those in the un-administered areas.*

২. *The Naga tribes should have a separate electorate.*

৩. *This Council strongly protests against the grouping of Assam with Bengal.*

হায়রিবা মেমোরেন্দম অসি বৃটিশ লৈঙাক্তা ১৯৪৭কী ফেব্রুৰারী ২০দা পীশিনখিবনি। মণিপুরগী চীংগী লমশিংবু নাগা য়ুনিটি অদুদা য়াওহন্নবা ৰারোল য়াওই। মখোয়না দাবী তৌরিবা লমশিংদি ব্রক্ষপুত্র তম্পাক লোইরকপদগী বর্ম্মাগী চীন্দৰিন তুরেল অনীগী মরক অসিনি। চীনাগসু লোন্নগনি। নাগালেন্দ, টুয়েনশাং অরুনাচলনা মপুঙ ওইরগা মণিপুর, অসাম অমসুং বর্ম্মাগী চীংগী শরুকশিংনি। হান্না ৰাখল ফাওনরবা বৃটিশ লৈঙাক্লা য়ান্না থুনা অয়াবা পীরক্তুনা মতমদুগী অসামগী গভর্ণর সার হায়দরীগা নাগা নেসনল কাউন্সিলগা কোহিমাদা কুমজা ১৯৪৭কী জুন থাদা এগ্রিমেন্ট অমা খূৎয়েক পীনখি । মদুদা মণিপুরগী চীংগী লমসু নাগা হিলস (নাগা য়ুনিটি) দা পুনসিনবা য়াই হায়না গভর্ণরনা খূৎয়েক পীখি। বৃটিশকীদি মখোয়না থাদোল্লমদাইদা মচেৎ তানবা শিনবা মথৌনি। হায়রিবা অপুনবসিগী ওর্গেনাইজেসন অমা তুংদা লিংখৎলক্লিবসিনি।

ইহৌসিদা মণিপূরসু য়াওহন্নবগীদমক বৃটিশ ওফিসারশিংনা কোহিমাগী নাগা লুচিংবশিংদা ইনশিন্দুনা মাওগী দাইহোবু থেমখিবনি। অদুনা দাইহোনা লুচিংদুনা ''নাগা নেসনেল লিগ'' কৌবা অমা মাওদা লিংখৎখি। থৌপুবশিংদি – (১) দাইহো – প্রসিদেন্ট, (২) মোদোলী –সেক্রেটরি, (৩) কাশিপ্রি –ট্রেজরর, (৪) থোইসো –ভাইস প্রসিদেন্ট, (৫) হেপুনি– ভাইস সেক্রেটরি, (৬) পুনি –এসিষ্টেন্ট ট্রেজরর অসিনি।

হায়রিবা নাগা নেশনেল লীগ অসিনা বৃটিশ লৈঙাক্তা মেমোরেন্দম অমা পী। মেমোরেন্দমদু অসুন্না হৌই – *“The Naga National League is the only political organisation set-up in order to work and consolidate the Nagas of Manipur”.* অদুদগী মণিপুরগী চীংগী লমশিংদসু লিফলেট চায়থোকই।

মসুন্না শাগৎলকপসিদগী কুমজা ১৯৪৭কী আগষ্ট ১৪ দা প্রসিদেন্ট নাগা ষ্টেট, কোহিমা হায়না থাবা টেলিগ্রাম অমা মণিপুরগী মহারাজদা তৌরকখি। মরোলদি–

Southern Nagas including Manipur hill Nagas and Cachhar Nagas with Konyak Nagas declare independence to-day fourteenth August negotiating to join Pakistan Dominion on Suitable terms (.)”

টেলিগ্রামসি ফংবদা মণিপুরগী মহরাজদি তৌফম খঙদনা লৈরম্মী। ৰাফম অসি চুম্বরা হায়না টেলিগ্রামদা দাইহোদা হংখি। দাইহোনা চুম্মী হায়না খুল্লকখি।

অসিগুম্বা মণিপুরগী শক্তম কায়বগী অচৌবা তাঙ্কক অসি য়ৌরল্লবদা মণিপুর লৈঙাক্কী ফন্নাইবা, লাইরিক লাইশু হৈরবা অখণ্ড অহৈ কনা অমত্তনা পুক্লিং চঙনখিদে। লোয়নননা বৃটিশনা ইন্দিয়া থাদোকখ্রগনি অদুনা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রগনি হায়বগী ৰাখলদা লিংবদা ঙাইরিবা কোংগ্রেস পার্টিসু থওইদে। লিদরসিপ মুন্নবগী লান তৌদুনা লৈ।

ওইরক্লিবা চীংগী ইরাংসি হিজম ইরাবতনা য়ান্না হকচিন্না লৌই। কুমজা ১৯৩৭-৩৮দা অসামগী গভর্ণর সার রোবর্ট রৈদনা মণিপুরগী চীংগী লমশিংবু নাগা য়ুনিটিদা য়াওহন্নবা হোৎনবদা ইরাবতকী থৌরাংনা মায় পাকহনখিদ্রবনি। লৈবাক কনবনা অমদি সমাজ সংস্কারনা মাগী মথৰাইগী পোন্থা ওইজরবা ইরাবতনা পোলিটিকেল দিভলপমেন্টসি থিজিন্দুনা লাক্লিবনি।

কুমজা ১৯৪৭কী আগষ্ট ২৬তা নাগা নেসনল কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট মিষ্টর টি আলিবা ইমিতিনা টেলিগ্রাম মরোলদুগী তুংইন্ননা চিঠি অমা মণিপুরগী মহারাজদা থারকখিরম্মী। মণিপুর লৈঙাক্লা চীংগী লমশিং য়াওনা সাউর্থন নাগা শেম্বদা রেকগনাইজ তৌই হায়না ৰারেপ লৌবীয়ু। মতাংসি য়ৌরকপদা মহারাজ বুধচন্দ্রনা মবাই ইবুঙো ইরাবততা ইহৌ অসি লাকথনবা হোৎনবিয়ু হায়রম্মী। তোঙান তোঙানবা চীংগী লুচিংবশিংদা লৈখ্রিবা ৰাখল্লোনশিংদু মরা চেৎহনবনা লেঙদ্রবা পাম্বে ওইগনি হায়বসি ইরাবতনা খঙই। মদুগী থবক চঙশিন্দুনা লাক্লিবনি। কুমজা ১৯৪৭কী আগষ্ট ৫দা উখ্রুলগী হুন্দুংদা তাংখুল খুল্লাকপশিংগী মীটিং অমা চোইথর খুনগী মীসিভাসনা চেয়্যরমেন ওইদুনা ফমখি। খুন ৩৬কী মীহুৎ য়াওখি। ৰারেপ ১০ খক লৌখি। মণিপুর মহারাজগা চীংগী খুল্লাকপশিংগা মরী ফগৎহন্নবা ৰারেপ লৌখি। মতুংদা আগষ্ট ১৩দা ইম্ফালদা চীংগী খুল্লাকপশিংগী মীফম অমা আর সুইশানা সভাপতি ওইদুনা ফমখি। মণিপুর তম্পাক্কী মীওইশিংনা ইন্দিয়ান য়ুনিয়ন্দা পুনশিন্নবা হোৎনবদা চীংনা কমেন্ট অমত্তা পীরোই হায়না ৰারেপ লৌখি। চীংগী লুচিংবশিং উনদুনা রাজনিটিগী হিমায় চুন্নবা হোৎনবা ইরাবতকী রাজনিতিগী য়ুমফমনি। কুমজা ১৯৪৭কী সেপ্তেম্বর ১৬তা ফদাংদা তাংখুল্লোংগী মীটিং অমা ৰাই কে শিমরেনা সভাপতি ওইদুনা তৌখি। তাংখুল খুল ১১৭ মীহুৎ ৯৭৬ তিনখি। লানগী ক্ষতিপুরন ক্লেইম তৌফম ওফিস চীংদা থন্নবা দাবীগী ৰারেপ লৌখি। অসুন্না লানগী ক্ষতিপুরন তান্নবগী ইস্যু থাংজিন্দুনা হিমাই লৈহন্নবা শিনবসি ইরাবতকী য়ান্না রাজনিতি হৈবগী থৌশিলনি। অপুনবা হিলস য়ুনিয়ন শেম্বদা তাংখুল্লোংগী মীহুৎ থাবগী ৰারেপ্পুদি লৌখি। কুমজা ১৯৩৮দা কবুই সমিতি ওইনা শেমহনখিবা মণিপুরগী লৈঙাক শাসনগা তৎনদনবগী ৰারেপ্পু হোংবা লৈতে। থোইদোক্লা মণিপুরগী লৈঙাক পাথাপ শেন্নবা কন্সটিট্যুসন মেকিং কম্মিটিদা মখোয়গী মীহুৎ য়াওনবা তকশিনখি।

কুমজা ১৯৪৭কী সেপ্তেম্বর ২৯ অমসুং ৩০ দা কৈশামথোংদা মণিপুরগী চীংগী লুচিংবশিংগী মীটিং অমা ডাক্তর কম্পুনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবদা ''মণিপুর হিলস য়ুনিয়ন'' শেমখি। মসিদা মহারাজ মকোক চিকপা হেনগৎলকখিরম্মী। মবাই ইবুঙো ইরাবত্তা লাকশিন্নবা হায়জরম্মী। ইরাবতনা প্রজা সংঘগী মীটিং কৌদুনা তান্নরবা মতুংদা হিলস য়ুনিয়ন শেম্বদা য়াওখিবা সংগথনশিংগা তম্পাক্কী সংগথনশিংগা অপুনবা মীটিং অমা ১৯৪৭কী নবেম্বর ৩০ এম দি য়ু হোলদা কৌদুনা তাংখুল্লোংগী এম কে সিমরেনা সভাপতি ওইদুনা ফমখি।

মীটিংদুনা লানগী ক্ষতিপুরনগী ৰাকৎ লৌফম চীংশিংদা থমদুনা চীংগী প্রজা পুন্নমক ক্ষতিপুরনগী কান্নবদু লৌনবা দাবী, য়েলহৌঙৈদগী নুংশি চান্নবা লৈরল্লবা চীংমী-তম্মী পুন্না হিংমিন্ননবা লোয়নননা নাগা নেসনল কাউন্সিলনা পাকিস্থান দোমিনিয়ন্দা য়াওগনি হায়রিবসি তৌহন্দনবা মিশন অমা চৎপা লেপ্লখি। মদুগীদমক য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট অমা শেমখি। মদুগী প্রসিদেন্টনা ইরাবত অমসুং সেক্রেটরিনা এম কে শিমরেবু খনখি।

কাঙলুপ খুদিংমক্কী মীহুৎ য়াওবা টিম অসিনা কোহিমাদা হান্না থুংদুনা নাগা নেসনল কাউন্সিলগী লুচিংবশিং – প্রসিদেন্ট আলিবা ইমিতি অমদি সেক্রেটরি সাখ্রেগা লোয়নননা অতৈ লুচিংবশিংগা অহিং চুপ্পা ৰারী শানখি। লাপখ্রবা পাকিস্থান দোমিনিয়ন্দা পুনবা সাসন অদুগী খুদোংথীরক্কদবা ৰাফম কয়া লোয়নননা লোলসু তিন্নদবা কয়া অদু নৈনরবা মতুংদা লুচিংবশিংদু মমায় লৈরকখি। মথংগী নুমিত্তা মাওদা চঙদুনা নেসনল লীগকী লুচিংবশিংগা মনুং থিৎনা ৰারী শান্নরম্মী। দাইহোদসু বৃটিশ চৎখ্রবা মতুংগী লৈঙাক্তা শরুক য়াশিন্দুনা চীং-তম চাওখৎ থৌরাং পুখৎমিন্নদুনা হিংমিন্নবগী দরকার লৈবদু চীংমী লুচিংবশিংদুদা থম্বদুদা মপুক্লিং তেথরকখি। অওইবমক মণিপুরগী চীংগী লম অতৈনা য়াদ্রগা মাওগী খক্তনা য়াওখিবনদি কান্নবা মপুং ফারোইদবদুগী ৰাখল লাকপনি লৌফম থোকই। চীংমী লুচিংবা পুন্নমক পুদুনা চৎপগী রাজনিতি ওহ্নোক্লা হৈখ্রবা ইরাবতকী থৌরাংনি। মিশন অদু মায় পাকখি।

মসিগী মতুংদগীদি দাইহোগী নাগা নেসনল লীগকী ঈহৌ অসি মণিপুরগী মনুংগী থোইদোক্লা মাও এরিয়াগী ওইবা দাবী অমসুং শ্লোগান পুখত্তুনা অন্দোলন অমসুং ষ্ট্রগল ওইনা চঙশিনখি। ঈহৌদুনা মীশি মীনা থোকখি। কুমজা ১৯৪৮গী জন্যুৰারী ২১ নাগা নেসনেল লীগ অসিনা অতৈ খুল্লাকপা কয়া খোমজিল্লগা অসামগী গভর্ণরদা মেমোরেন্দম পী। জন্যুৰারী ২৪ দসু দেপ্যুতি প্রাইম মিনিষ্টরদসু পী। মদুদা লানগী ক্ষতিপুরন পীবসি চীংগী লমদা নিংথিনা য়েংবিদ্রে লোয়নননা চীংগী ওইনা চীংদা ৰাকৎফম থম্বীনবা ৰাকৎসু য়াওখি। মেমোরেন্দমদুদা দাইহো অমসুং মোদোলিসু সহি তৌখি। মেমোরেন্দমদুদা অসুন্না হৌই –

“The movement is not at all communal but broadly based on the linguistic provinces of India”.

অসুন্না হান্না লৌরম্বা ফিরেপ্তগী অসুম অসুম হন্দোরকখিবনি। নাগা নেসনেল লিগ অসি মণিপুরগী রাজনিতিদা য়াওশিল্লকপা হৌরকখি। ১৯৬৩দা টেরিটোরিয়েল শাসন্দা কোইরেংগী মন্ত্রি মন্দলদা দাইহো ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইখি। দাইহোনা হিমায় লৈরক্তুনা চীংগী ইরাং নেমথহনখিবসি নেতা ইরাবতকী ওহ্নোক্লা রাজনিতি হৈখ্রবা থৌশিলনি হায়বসি তুংলমচৎকী মীয়াম্না কাউদনা ইতিহাসকী লামায়দা লৈহৌরগনি। মচিনঙৈদা য়ানিংলমদবা ওইরবসু অশেংবা ইতিহাসনা মরোল থোক্লক্লবা মতমদদি মাবু নিংশিংবা হেনগৎনরক্লিবনি, হেনগৎলকখিগনি। পুন্নমকসি মাগী কৎথোকপতনা শরুক ওইরবা মার্ক্সিজমগী য়ুমফমদা চৎলম্বা পরমদগী ওইখিবনি। য়ুনাইটেদ ফ্রন্টকী লুচিংবশিং অয়াম্বা অহানবা মণিপুরগী এসেমব্লিদা কারক্তুনা ইরাবতকী কৃষক সভাগা পুন্না থবক তৌমিন্নখি। অদুবু মণিপুরগী শক্তম থুগায়দুনা পুবর্বাঞ্চল প্রদেশ শেন্নবা কোংগ্রেসনা হোৎনরকপগী মায়োক্তা মণিপুর কন্নবা হৌখিবা অন্দোলন্দা মাবু বে আইন থমদুনা অন্দরগ্রাউন্দা মপুন্সি লোমখি। মাগী পুন্সিদি লোমখ্রে তৌইগুন্বসুং মণিপুরগী শক্তমদি মাগী পুন্সিগা শিন্নবিরল্লে। ●

ষ্টেটকী পাউ

দ্রাইভরশিংনা অৰাবা তাবদা মতেং পাংদুনা লাক্লি: এম দি এ

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): মণিপুর দ্রাইভর এসোসিএসন (এম দি এ)না তৌরিবসি দ্রাইভরশিংগী য়াইফনবা থবক ঙাক্তনি। ঐখোয়না তৌজরিবসি মণিপুরগী মনুংখক্তা নত্তনা মণিপুরগী ৰাংমদা চৎখিবশিং অমদি মণিপুরগী নৎত্রবসু মণিপুরদা চঙলক্লিবা দ্রাইভরশিংনা অৰাবা খূদোংথিবা তারবদা মতেং পাংদুনা লাক্লি হায়না এম দি এগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি কেঐচ সঙ্গিতচরননা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরল্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, মীওইবনা হিংবদ চংদবা য়াদ্রবা চেঙ অসি পাল্লিবা লৈঙাক খূদিংনা অৰাৎপা লৈতনা ইরমদমসিদা পুশিল্লক্লি। পুশিল্লকপগী থবক্লা গাড়ী থৌরগা হিংজরিবা দ্রাইভরশিংনা তৌরি। মসিদা চেঙগী থাবগী গোদাওন হেক চঙলকপগা গেটতা চাংচৎতা লুপা ১০০/২০০, ৰেথ ব্রিজদনা লুপা ৭০০/৮০০ লৌবা অমদি পোৎ থাবগী লেবর চার্জ ৩০০/৪০০ লৌবা অসি লোনা য়াদে। লৈজদবা দ্রাইভরশিংগী মীয়াম্না য়াদবা শেলশিং অসি লৌবীগনু হায়বদা দ্রাইভরশিংগী ফনবা তৌবা নত্তে হায়রক্লিবা মীওইদু দ্রাইভর মান্দে খুনেক মাল্লি। দ্রাইভরদগী শেল লৌবীদনবা হায়ববু দ্রাইভরগী মাঙনবা তৌবনি হায়বসি লাল্লি নৎত্রগা চুম্মী হায়বদুদি মীয়াম্না লেপ্পীয়ু অদুগা শেল পীগে-পীরোই হায়বদুনা দ্রাইভর ইচিল-ইনাওশিংনা লেপ্পীয়ু হায়রি।

লৌরিবা শেনফম অসি লৌফম থোক্তে হায়বসিসু ঐখোয়না নত্তে। আর টি আই থারুবদা শ্রী ওম প্রতাপ সিংহ, দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজর, এপ্লেল্লেট ওথোরিটি (আর টি আই), এফ সী আই রিজনেল ওফিস, মণিপুরনা মহাক্কী লেট্টর নম্বর আর টি আই-২০০৫(২)/আর ও (এম এ এন)/২০১৯ তাং ২৩/১০/২০২১দা হায়বীরকপনি। ঐখোয়দি মীয়ামগী পূক্লিং লৌশিং ওইনবা পাউদমজবনি। গেট অমসুং ৰেথ ব্রিদগী ফী অমত্তা লৌ হায়বগী ওর্দর লৈতে অদুগা চেঙ থাবগীদি হেন্দলিং কন্ট্রেক্টরনা পীজগদবনি হায়দুনা ময়েক শেংনা পনবীরকই হায়রি।

অসুম্না আর টি আইগী খূত্থাংদগী দ্রাইভরশিংবু লূট তৌবীরে হায়বা খঙলকপদগী মণিপুরদা লৈরিবা এফ সী আই গোদাওন/দিপোটশিংগী মেনেজরশিংদা চিঠি অমমম এম দি এগী মায়কৈদগী আর টি আইগী ওফিসল ওইবা লেট্টরগী কোপি অমমম হাপ্পুনা ইল্লিগেল ফীশিং অসি দ্রাইভরশিংদগী লৌদনবা অমসুং দ্রাইভরশিংদা কো-ওপরেসন পীবিনবা হায়জখি। অদুবু লাইবক থিবদি হৌখিবা নভেম্বর তাং ৩দা সওম্বুং এফ সী আই দিপোটতা হায়রিবা ইল্লিগেল ফীশিং অসি লৌরে অমদি য়াদবা দ্রাইভর খরবু ওৎপী-নৈবীবগী থবক তৌবীরে হায়না দ্রাইভর খরনা এম দি এদা পাউ পীবিরকপদগী দিপোট মেনেজর উনবা এম দি এনা চৎচরুবদা উনবগী খুদোংচাবা পীবিরকখিবদে অদুবু মনা-মনিল নাইদনা হল্লকখি। হীরম অসিগী মতাংদা মীওইবগী মীনুংশি য়েংদুনা অমসুং য়াশিন্নবা অমা পুরক্লবা ঐখোয়না ঙাইদুনা লৈজখি।

অমুক্তা হেন্না লাইবক থিবদি নভেম্বর ৪দা হায়জবা অমনা ফোন তৌরক্তুনা এফ সী আইগী ষ্টাফশিংনা ৰেথ ওনবদা তশেং তশেংনা ওল্লনি অমদি চলানদা অশেংবা ৰেথ ইরগা সীল নল্লনি হায়রে হায়বীরকখি। মদুদা এম দি এগী মায়কৈদগী করি কায়বগে হায়দুনা পাউখুম পীখি। ঐখোয়গী পাউখুম অদুদা ফোন তৌরল্লিবা মীওই অদুনা অদুম তৌরবদি ঐখোয় পুবা-থাংবা ঙল্লরোইদবা শেল শিঙ্গৎলগনি অদুনা এম দি এনা লাকপীদুনা দিপোট ষ্টাফশিংগা য়ানবা পুবীরক্লবা শীনবীয়ু হায়রক্লি। মদুগী পাউখুম ওইনা এম দি এগী মায়কৈদগী অৰাৎপা চেঙগীদমক্তদি তেকচাক লৌবদি ঙল্লোই হায়না পাউখুম পীখি হায়রি।

এফ সী আই গোদাওনগী কেম্পস মনুংদা তৌরিবা অফ-ফত্ত খূদিংবু খঙদে হায়রিবা মেনেজর অদুনা মীয়াম্বু করিনি হায়না খনবনো? থবক অসুম চাউথোক্লবা শীল্লিবা অসিসু মেনেজর খঙদনা মথোং মরম খঙদনা পংতৌ তৌরিবরা হায়বা অচুম্বা অদুদি কোর্টনা হায়রকপদু তাবা তারে। করিসু নত্তবীদা মৈরিকপীদগী মৈজাওবী ওন্নবা শীল্লিবরা হায়না এম দি এনা চিংনদবা ঙমদে।

অরোইবদা চেরোল অসিনা, থৌদোক থোকফমদগী দ্রাইভরনা নংলিবা খুদোংচাদবা মতেং পাংলুববু থবক চথোকখিবা দ্রাইভরনা মখোয়দা তান্নরমদে হায়রিবসি ঐখোয় ঙক্তবা ঙমদে। গোদাওন মনুংদা ঐখোয়গী মী চঙহল্লক্তবদুনা মনুংদা অশোয়বা অমা লৈরে হায়বদু মশানা তাকচরবনি। হৌজিক এম দি এবু মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হৌজ-হৌজ পঙাঙ ঙাঙলকপসিনা লাল্লিবসি কনানো হায়বদু খঙনিংলক্লে। অমগা অমগা হুন্নবগী মহুত্তা অচুম্বা অদু কোর্টনা পুথোক্লম্বনা ফরে। মতমদুদদি অসুক কুইনা লৌফম থোক্তবা শেল লৌবগী অচুম চুমদসু খঙলগনি হায়রি।

অভে কুমার গিরিনা থম্বাল কেম্পেন রেল্লি হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): মোইরাং এ সীগী ওইনা থম্বাল কেম্পেন ঙসি এ সী অসিগী মনুংচন্না লৈবা ফুবালাদগী বাইক রেল্লি অমা অভে কুমার গিরি, জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) বি জে পি মণিপুর এন্দ নাগালেন্দ অমদি পি শরতচন্দ্র, এম এল এ মোইরাং এ সীনা লমথাদুনা হৌদোকখিবগা লোয়নননা তুংদা রেল্লি অসিগী পন্থুংফম ক্বাক্তা খুমন থোংখোঙদা খুঙ্গং মীফম অমসু পাঙথোকখি।

বি জে পি মোইরাং মন্দল অমদি বি জে পি ক্বাক্তা গ্রাম পঞ্চায়ত সেন্ট্রেল কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা খুঙ্গং মীফম (বূথ লেভেল পোলিটিকেল কনফরেন্স) অদুদা অভে কুমার গিরি, জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) বি জে পি মরিপুর অমসুং নাগালেন্দ; পি শরতচন্দ্র, এম এল এ মোইরাং এ সী; এল মীনাবন্ত, ভি পি বি জে পি মণিপুর প্রদেশ, ইন-চার্জ বি জে পি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট; এমদি অস্কার আলি, প্রসিদেন্ট মাইনোরিটি মোর্চা, বি জে পি মণিপুর প্রদেশ; আর কে বিমোলা, প্রসিদেন্ট বি জে পি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি; কেঐচ লক্ষমন, ভি পি বি জে পি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট, ইন-চার্জ বি জে পি মোইরাং মন্দল; এমদি অব্দুল হমিদ, প্রসিদেন্ট বি জে পি মোইরাং মন্দলনা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা অভে কুমার গিরিনা হায়খিবদা, কুমজা ২০১৭তা বি জে পিনা মণিপুরদা লৈঙাক শেম্বা মতমদা এম এল এ ২১ খক্তনি। মেজোরিটি গভর্ণমেন্ট শেম্বগী খুদোংচাবা ফংখিদে। অদুবু মদুগী অৰাবা অমদি প্রেশর মরক্তুদা বি জে পিনা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌদুনা মণিপুরদী চাওখৎপগী থবক লেপ্তুনা চত্থরক্লি। মণিপুরদা হান্নদি মীয়াম্না মখল কয়াগী অকিবগা লোয়নননা হিংলগা লাক্লম্বা অদু ঙসিদি অকিবা খূদিংমক লৌথোকখ্রে, লৈত্রে। বি জে পি লৈঙাক অসিনা মসিগী অকিবা ময়াম অসি লৌথোকখিবনি।

হন্দক বি জে পিনা ফুল মেজোরিটিগা লোয়নননা লৈঙাক শেল্লবা মণিপুরগী শক্তম অমদি মগুণ অনৌবা মওং অমদা অহোংবা পুরক্লগনি। ঐখোয় মীয়ামগা লোয়নননা চৎমিন্নদুনা ঐখোয়গী লৈঙাক মণিপুরদা শেমগনি। হৌজিক ঐখোয় খুঙ্গং খূদিংমক চৎতুনা মীয়ামগা ৰারী শানগনি। মখোয়গী অনিংবা-অপাম্বা খূদিংমক হংগনি। ভোটকী শক্তি মীয়ামগী খুৎতা লৈবনি, মদুগী শক্তি অদু শীজিন্নদুনা ঐখোয়বু লমদম অসিগী চাওখৎ থৌরাং কয়া পুরক্লবা খুদোংচাবা পীবিয়ু অমসুং মণিপুরদা বি জে পিগী লৈঙাক হেক শেম্বগা লমদম অসিদা মতম চুপ্পগী ওইনা শান্তি পুরকপা ঙম্নবা থবক থৌওং কয়া পায়খৎকনি হায়না অভে কুমার গিরিনা মখা তাখি। ঙসিগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মোইরাং এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ক্বাক্তা জি পিগী তোঙান তোঙানবা ৱার্দশিংদগী বি জে পিদা নৌনা চঙলকপা মীওই ৬০ রোমসু পার্টিগী লেংয়ানফি য়ান্দুনা তরাম্না ওকখিবগা লোয়নননা জি পি অসিদগী মীওই ৫৭ দনা ওল্ড এজ পেন্সন; ২৮ দনা ৱিদো পেন্সন; বিনিফিসরি ২৫দা জি আই শীটশিং; বিনিফিসরি ২৫দনা চিক্কন অমদি বিনিফিসরি ৭৬তনা লেম্প য়েন্থোকখি।

মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ভিক্তোরিয়া য়েংখোম অমসুং এদিসনেল এস পি ৩ (লো এন্দ ওর্দর, ওপরেসন অমসুং ট্রাফিক)কী লমজিং মখাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা পুলিস ষ্টেসনশিংনা কোনবা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী দিৰালি অমসুং নিঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগী মনুংদা অথিংবা লৈনা-লৈনা লগাউ থাদুনা শান্নরম্বা মফমশিংদগী পুন্না লগাউ মরু ৪৫২ ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি। পুলিসনা ফাগৎলপা লগাউ মরুশিং অদু ঙসি মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখ্রে।

অচুম্বা মায়ওন অমদা পুরক্লবগী অচৌবা পাম্বে অমনি: কোবিত

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা ঠীএটরনা অচুম্বা মায়ওন অমদা পুরক্লবগী অচৌবা পাম্বে অমনি হায়না নাওরেম কোবিত, প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি মেম্বর, এম পি সী সী, ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ৩৭-ককচিং এ সী, ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসনা ফোঙদোরল্লি।

লিবর্টি ঠীএযর, ককচিংনা চৎলিবা থা অসিগী ৫দা ঠীএটর গ্রুপ অসিগী ১৬শুবা মপোক নুমিৎ থৌরম পাঙথোকপগা লোয়নননা ক্ষেত্রি সনাজাওবনা ইবা দ্রামাশিংগী ফেষ্টিভেলগী হুম্নি শুবা নুমিৎতা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়ারদুনা নাওরেম কোবিতনা মখা তারদুনা, শুমাঙ লীলাদনা য়েংবীনবা মী ময়াম অমা লৈরগা দ্রামাদনা য়েংবীনবা মীগী মশিং অসি য়াম্না ৰাৎপদৌনা তৌরি। দ্রামা অসিসু মীয়ামদা য়াম্না কান্নরবা পাউজেল কয়া অমা পীরিবনি। দ্রামাদসু য়েংবীনবা য়াম্না লৈহন্নবগী থবক অসি লৌখৎপা মথৌ তাই। মণিপুরগী মনুংদা মশক নাইরবা দ্রামা ইরিবা ওজা ক্ষেত্রি সনাজাওবগী দ্রামাশিং মীয়াম্না কান্নরবা পাউজেল কয়া পীরি। ওজা অসি নোংমদি শোয়দনা নেসনলগী থাক্তা মিংচৎ পুরকপা ঙমগনি খল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসি ফেষ্টিভেল অসিগী হুম্নি শুবা নুমিৎতা ইম্ফাল ঠীএটর, ইম্ফালগী ‘মঙাল য়াওদ্রবা নুমিৎ’ উৎখিবা থৌরম অদুদা য়েংখোম ধনঞ্জয়, হান্না সাহিত্য সেবা সম্মিটি, ককচিং-মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

তৌশিন্নবদা য়ুম্ফম ওইবা পোলিটিক্স তৌরোইসি : য়ুম্নাম জয়কুমার

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচএনএস): তৌশিন্নবদা য়ুম্ফম ওইবা পোলিটিক্স তৌরোইসি। লাংথবালদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা করাম শ্যামবু ঐগী মতৌ তমজৌ হায় হায়না ফোঙদোক্লরক্লিবা অসি ঐহাক্না হায়খিবা লৈতে। মানা ঐগী মতৌ তম্বসু ঙল্লোই অদুগা ঐগী মতৌসু তমহন্নিংদে হায়না দেপ্যুটি সী এম য়ুম্নাম জয়কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ৰাফম অসি ঙসি ইরোইশেম্বদা লৈবা ময়োল ইন্দোর বেদমিন্টন হোলদা পাঙথোকখিবা ৰাংজিং তেন্থাগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট উশম মঙলেমনা নেসনল পীপল্স পার্টি (এন পি পি)দা চঙলকপবু এন পি পি মণিপুরনা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, সোসল মীদিয়া অমদি পাউচেগী খুৎথাংদা করাম শ্যামনা য়ুম্নাম জয়কুমারদি ঐগী মতৌ তমগদবনি হায়বনচিংবা ৰাফম ফোঙদোরল্লিবা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি। মরমদি ঐহাক্তি মীঙোন্দা লৌনম তৌবা হৈবা মীওই অমা নত্তে। করাম শ্যাম হায়রিবা মীশক অসি টর্ম অনীরক এম এল এ ওইরবনি অদুবু ঙসি ফাওবদা হাউস কম্মিটি হায়বসি করিনো হায়বা ফাওবা খঙলমদবা অসি অঙকপা অমা ফাওই হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এন পি পি মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি অমদি ক্ষেত্রিগাও এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট শৈখ নুরুল হসন, কৈশামথোং এ সীগী এম এল এ জয়ন্তকুমারসু শরুক য়াখি।

ꯊꯥꯒꯠꯄ/খোঙ হান্বা মতমদা য়াম্না লিক্লা হান্বা, খোঙ মপূং ফানা হান্বা য়াদবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোন্বা, খোঙ হান্বা মতমদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা কোবিলৈ শাৎপগুম্না পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদুদগী চেখোয়বদৌনা তৌরগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, মতম খরা লৈরগা খোঙ হান্বগী শংবদা অমাংথোঙ মনুংদগী চাওনা পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদু খূৎনা ইনশিনবা মতমদা মনুংদা চঙবা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মতম কুইনা নাদুনা খোঙ হান্বা মতমদা য়াম্না লিক্লা হান্বা মপূং ফানা অমুক্তা হান্বা য়াদবা, খোঙ মপূং ফানা হান্বা য়াদবা মরম অদুনা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা অমদি হকচাংদা চিকপা-নাবা, করিগুম্বা খোঙ মপূং ফানা হামদোকখিবা তারগদি পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা অমদি হকচাংদা চিকপা-নাবা অদু ফখিবা অমাংথোঙ ময়াদা পোন্বা, খোভ হান্বা মতমদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা কোবিলৈ শাৎপগুম্না পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদুদগী চেখোয়বদৌনা তৌরগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ লেপ্তুনা তাখিবা অদুনা মরম ওইরগা হকচাংদা ঈ ৰাৎশিল্লকপা অমদি কোক ঙাওরি-ঙাওরি তৌরকপা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙ মনুংদা চক্-চক্ থিল্লকপা, খোঙ হান্বা লোইরগা অমাংথোঙদা য়াম্না শাগৎলগা লৈবা, শা-ঙা, থাউ, মোরোক চাবা য়াদবা, অচম্বা চারিবমখৈ হকচাংদা নুংঙাইবা হেনবা, হকচাং অসি পোখারগতা লৈনিংবা, শুনিং-চৎনিংবা পোক্তবা মতম খরা লৈরগা খোঙ হান্বগী শংবদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা চাওনা পোমথোরল্লগা লৈবা ইনশিনবসু য়াদবা মপান্দা থোল্লগা লৈবা পোমথোরকপা অদুনা য়াম্না চিকপা নারগা খাঙবা ঙমদবা, ফম্বসু য়াদবা, লেপ্পসু য়াদবা, কুল্লগা লৈবা চৎপা তারগসু নোন্থরগা চৎপা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam** ☎ **8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

থাগৎচরিবা : **S. Mantasori**
Kairang

HL-B/7236/10

ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯔꯦ / হেল্পর অমা পামজৈ

য়ূমগী থবক ইনখাং অমদি অঙাং লৌবীনবা মশাগী চহী ৩৫দগী ৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ইম্ফাল এরিয়াদগী ওইবা নুপী অমা অথুবগী ওইনা পামজৈ। পান্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি। Fully vaccinated ওইরবা মীওইশিং ওইনা হেন্না পামজৈ।

# 8971276034
Khagempalli

HL-P/0585/9,10&12

ꯍꯥꯡꯗꯣꯛꯂꯦ

Students' Hostel for Girls

Status : Newly Inaugurated
Place : Keishampat Area
Intact: 15 Students
Contact : **9863182102**

HL-P/0596/10 ,11

MANIPUR HOME GUARD EMPLOYEES WELFARE ASSOCIATION, IMPHAL

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **G.B. MEETING NOTICE**

লাক্লিবা Date 13-11-2021 থাংজ নুমীৎকী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা Special General Body Meeting অমা G.M. Hall Imphal দা COVID-19 গী চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা পাঙথোকচগনি।

মরম অদুনা Manipur Home Guard Personel পুন্নমক্লা মতম চানা শরুক য়াবীরনবা নীংশিংজরি।

খঙহঞ্জরিবী **: Kh. Inaobi Devi**
Secretary, MHGEWA

HL-P/0594/10

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৰারেংশিং অসিগী ৰাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৰাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।